RNI 22347

ISSN 2348 - 2044

Unique ID NO.MN/2015/0088389 of May 2015

৫৯শুবা চহী, ১৭৩-১৭৪ শুবা মশীং

ফেব্রুৱারী-এপ্রিল ২০১৭

# ঋতু




দ কলচরেল ফোরম, মণিপুর

রূপমহল টেঙ্ক কমপ্লেক্স, বি.টি.রোদ, ইম্ফাল -৭৯৫০০১

http/w.w.w.culturalforummanipur.org.

email:journal.ritu@gmail.com

# ৱাওফম তাকপা


| | | |
|---|---|---|
| এদিটরগী ৱারোল | ঃ হৌজিক্কী মণিপুরী নুপীশিংগী পুন্সিদা অবাবা অমদি নুংঙাইবা | ৩ |
| অবাবা ফোঙদোকপা | ঃ | ৪ |
| ৱারেং | ঃ ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মণিপুরী শৈরেং নৈনবা - দা সাইখোম রোবিন্দ্রা সিংহ | ৭ |
| | মণিপুরী সাহিত্যদা হন্দোকপগী খোঙচৎ - রাজেন তোইজাম্বা | ১২ |
| | ইকোসেন্ত্রিজমগী মিৎয়েংদগী নোকুল -ডা: টি কুঞ্জেশ্বর সিংহ | ২০ |
| | খ্বাইরাকপম চাউবগী ৱাখলগী ঈচেলগী নুংগী পাউজেল-ডা তেলেম সুরজবালা দেবী | ২১ |
| | যোম্বচন্দ্র সনসমগী 'মথৌ কনবা দি. এন.' এ দা য়েক্লিবা সমাজ - কৈশাম প্রেমানন্দ | ২৫ |
| ৱারী মচা | ঃ মৃৎশিলক্লিবা লৈই —মায়া নেপ্রম | ৩২ |
| | মাবুদি হংলমদ্রে —অখাম বনবীরধ্বজ সিংহ | ৩৫ |
| | তস! কমদৌই! - ময়াংলাম্বম কান্দেশ সিংহ | ৩৮ |
| | শকখঙদবী অমনা -বুদ্ধিচন্দ্র | ৪১ |
| শৈরেং | ঃ লমজা অমগী মপোক নুমিৎ (বোড়ো শৈরেং 'দোন্ত অম্ব মাই বার্থদে' )বোড়ো: দেব কান্তরাম চিয়ারী মণিপুরীদা: নোংমাইথেম কিরণকুমার | ৪৪ |
| | ঃ অৱাৎপগী শৈথা(আসামী শৈরেং 'অভাৱর গান' )আসামী: অনুভব তুলসী মণিপুরীদা: নোংমাইথেম কিরণকুমার | ৪৪ |
| | ঃ খুঙ্গংগী উফুল্লক্তগী(সন্তালি শৈরেং 'কুলহীধুরিখোন')সন্তালি: দশরথী সোরেন মণিপুরীদা: নোংমাইথেম কিরণকুমার | ৪৬ |
| | ঃ মৈ, অমুক্কসু ?(বাংলা শৈরেং 'ভূল আর একবার' ) বাংলা: রিতব্রত মিত্র মণিপুরীদা: নোংমাইথেম কিরণকুমার | ৪৬ |
| | ঃ সাবিত্রি-অশিবব্ মায়থীবা পীঙম্বি -খ্বাইরাক্পম্ সুনিতা দেবী | ৪৭ |
| | ঃ পি —নোংমাইথেম কিরণকুমার | ৪৯ |
| | ঃ চীংজিনগী নোং—হৈক্রুজম সনাতোম্বী দেবী, অঙৌবা খুনু —রামেশ্বর শারুংবম | ৪৯ |
| | ঃ অপুম্বা ঙা—রামেশ্বর শারুংবম, চাক্কোয় চাফমদা ঙসিগী—ৱাংখৈরাকপম বীরেন্দ্রজিৎ | ৫০ |
| | ঃ শেনখায় —এ.সি. নেত্রজিৎ, অসিবু করি মরীনো? -ৱাংখেম ইন্দিরা | ৫১ |
| | ঃ এপ্লিকেশন—ইরুংবম দেবেন | ৫১ |
| | ঃ নখোয়না উরি—ক্ষেত্রি রাজেন | ৫২ |
| | ঃ কায়নখ্রবা নঙগা— য়ুম্নাম নন্দিনি | ৫৩ |
| | ঃ তহি—রোপেশ থৌনা, কঙ্গিদোংফম—দা. এন.জি. একাশিনী দেবী | ৫৪ |
| কলচর | ঃ উমংলাই হরাওবা - লিভিং হোলি বুক ওভ মৈতৈ— দা থৌনাওজম রুহিচান্দ | ৫৫ |
| | ঃ অয়াংলৈমা কবোক চাইবা মোইরাংগী কলচর - লাইশ্রম কোইরেং সিংহ | ৫৮ |
| | ঃ লৈশেমলোনদা কংলে খুম্নাইগী অৱাংবা কীদম - দা ৱাইখোম রোমেশ | ৬৩ |
| | ঃ হোংলক্লিবা মতমগী চৎনবীদা শেল থাবা - লোংজম অরুন | ৬৭ |
| ফোকলোর | ঃ খুম্বারবী নৈনবদা তাইপ অমসুং মোতিফ— ৱাংখৈরাকপম এঞ্জেলা দেবী | ৬৯ |
| লাইরিক মশক তাকপা | ঃ পুৱারীদা অপূনবগী শক্তম য়েক্লিবা: চহী তরেৎ খুন্তাকপা -কোইজম শান্তিবালা | ৭৮ |
| উনকুবগী পাউদম | ঃ লীলাগী নিংথৌরেল নন্দকিশ্বর শর্ম্মাগা মিকুপ খরা - ইথোকপা এদিটর | ৮২ |
| | ঃ দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সেক্রেটরিশিং, লাইফ মেম্বরশিং | ৮৭ |
| | ঃ ঋতু চেফোঙগী এদিটরশিং | ৯২ |
| | ঃ লৈখিদ্রবা লাইফ মেম্বরশিং | ৯৩ |
| | ঃ জেনরেল সেক্রেটরিগী রিপোর্ট | ৯৪ |

ৱারেং

# ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মণিপুরী শৈরেং নৈনবা

— দা সহিখোম রোবিন্দ্রা সিংহ

শৈরেং হায়বসি সমাজগী শকয়েং মিংশেলনি। কবিশিংগী পুন্সিদা হকথেংনরিবা এক্সপেরিয়েন্স কয়াদু শৈরেংদা মমি তাই নংত্রগা ময়েক শেংনা ফোংডদোকই। মতম মতমগী সমাজগী হোংলক্লিবা সাইন্স অমসুং টেকনোলোজিনা পীবা ঈথিলশিংদু কবিশিংনা উৎনবা হোৎনৈ। লোয়নননা হোংলক্লিবা মীওইবগী পুন্সি মরেল, মোরেল ভেল্যুজ, কলচর, ত্রেদিসন অসিনচিংববু মরিক চুন্না শৈরেংদা উৎলি। ইতিহাসকী খুদোংথিবা তাঙ্কক অমদা মৈতৈশিংনা মপান মণিপুরদা চোইনা-চোইনা খুন্দা লৈতাখিবশিংগী মরক্তা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মৈতৈশিংসু য়াওরি। মরম অদুনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মৈতৈশিংগী থম্মোইদসু মৈতৈমচা অমা ওইবগী হৌনশা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিজবা, মমালোনবু ঈকাই খুম্নজবা, মমালোনগী সাহিত্যবু চাউখৎনবা হোৎনবা, মজাতিগী কলচর অমসুং ত্রেদিসনবু ঙাক্না চৎলি। অদুনা মণিপুরগী অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য কবি চাউবা, ডা. লমাবম কমল, হিজম অহাংহল, হিজম ইরাবত, হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র অসিনচিংবনা য়াকাইরোল শক্তুনা খোঙহৌ হানখ্রবসু খরা থেঙথনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তসু অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী য়েন্নিঙ হুনখি। ব্রহ্মাপুত্র তম্পাক্তদি মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙহৌসি কুনশুবা চহী চাগী তংখায় মতুংদনি। থেঙলবসু থেঙনা মমালোন অমসুং মজাতিগী সাহিতবু নুংশিজবনা অইবা কয়া থোরক্তুনা শৈরেং, ৱারীমচা, উপন্যাস, ড্রামা অসিনচিংবা অনৌ-অনৌবা কয়া ফোঙনরক্লি। অসিগুম্বা সাহিত্যগী তোঙান-তোঙনবা মশকশিং অসিগী মরক্তা হেন্না খুৎ থানরিবা অমদি খোঙহৌ হানবদা নত্তনা মাঙজিল থারিবসি শৈরেংনি হায়দবা ঙমদে।

ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা মণিপুরী শৈরেংগী লাইরিক ফোঙদুনা য়াকাইরোল শকথিবা খুৎমাবা কবিদি ধুম্রবায়নি। কবিসিগী খৃ: ১৯৬৯ দা ফোঙবা *লৌউ শৈরেং* হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অসিনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী ওইনা অহানবনি। ধম্রবায়গী শৈরেংশিংদা কবি চাউবা, লমাবম কমলগী মতৌগুম মমারোল অমদি মজাতিগী সাহিত্যবু নুংশিজবগী য়াকাইরোল শকপা, মরৈবাক মরমদমবু মথম্মোই শেংনা নুংশিজবগী খোঞ্জেলশিং তাবা ফংই। ভারতকী লোন তরামরি নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবা তুংদসু মমিপুরী লোনননা চনবিদনা থম্বদু উবদা কবিগী থম্মোইদা ভারত ইমাগী মফমদা নিন্দা তৌই। ইরোন্না ঙাঙবা, মহৈ-মশীং তম্বা, থম্মোইনুংগী অৱা-নুঙাই ফোঙদোক্তুনা ইবা করিগীদমক্তা য়ারোইদৌরিবনো? কবি চাউবগুম্না কবি ধুম্রবায়সু মৈতৈরোন লাইরবী নত্তে হায়না পোঙজরি। মৈতৈরোনগী মতিক মগুণবু ভারত পুম্বদা খঙহল্লসি হায়না শৈথারি ঃ

মৈতৈ ইমারোনসিদা যাদুগী মন্ত্র পুথোকসি,
তমজরি ভারত পুম্বা ইমাদগী মন্ত্র শিদবা,
কল্পকচদে মীরোনবু চাউসনু ঙানসনু,
ঙানথোইরবী ইমাবু তুং-থমবদি য়ারোই-ও
য়ারোই-এ, য়ারোই-এ[১]
(১৯৬৯ : ৮)

কবি অসিগী শৈরেংশিংদা লৌমী-শিন্মীশিংগী ফীদম্নিংঙাই পুন্সিবু শৈথাজবতা নত্তনা মখোয়না মালেমদা অনৌবা পুন্সিগী মঙাল পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা উৎলি। কবিগী খুৎইদা ধুম্রবায়গী ছন্দগী ঈচেল নাইবা অথুবা খোঙচৎনা হেন্না খুৎলোয়জে।

খুম্রবায়গী মতুংদা লাইতোনজম নীলমণিসু শৈরেংদা খুৎ থাবা হৌরকই। লাইতোনজম নীলমণিগী ফোঙখ্রবা শৈরেং লাইরিকশিংদি— *ৱাখল মৈরা* (১৯৭৪), *পুন্সি ঈরা* (১৯৮০), *ওমচাক্লবা মৈখু* (১৯৮৭), *নঙ নৈ ওইয়ু* (১৯৯৮), *লাইফাদিবী* (২০০৫), *হীংমিন্নবগী নুংঙাইবা ঈশৈ* (২০০৭), *ঈশিং ঈচাওদা* (২০০৮) অসিনচিংবনি। কবি অসি প্রেমবু ঈখৌ লাংজবা কবিনি। প্রেমগী হৌনশা শেংনখায়নবা, উননিংবগী তপথদ্রবা নুংশি ঈখৌ অসিনচিংববু তোঙান তোঙানবা ফংসনেল ইমেজরীশিংনা য়েকলি। পম্বুংতনা মপুং ওইবা কামগী ঈরাং পুবা প্রেম অমসুং তাইবং

মায়াগী ঈপাক লানদুনা জীবা আত্মাগী সিম্বল ওইরিবা নুংশিবী মাবু উন্নজনিংবগী ঈখৌ লাংবা প্রেম অনীসিগী মরক্তা কবিগী কল্পনানা মচু-মচুগী কুরাকুম্না হঙ্গৎ-হন্দা কোয়পাই-পাইরি। করিগুম্বদা পুন্সি অমসুং শিবগী ৱাহন্থোক থিরি। কবিগী পুন্সিদা বসন্তনা থুংলবদা চান্নবী মাগী নুংশিবনা ৱাখলগী লৈকোন্দা লৈনম ওইনা য়েল্লকই, মতমসিদা কবিনা কামগী ঈখৌ লাংবা পোকলি ঃ

অইংবগী লোইরকপদা থুংলবা বসন্ত
মঙগুম্না লেল্লকপগী সুরগুম্লবা ঈশৈ
ফম্মু তুরেলগম্লবা দিহেগী ফজবা থৌগৎলি,
পূক্লিং হুরবা ৱাখল লৈকোন্দা
শাগৎলি কামগী রাগ...।[২]
(১৯৯৪: ৫৩)

তাইবং মীওইবা খুদিংগী থম্মোইনুংদা ফাওরিবা লন্নাই প্রেমগী মশক অদুনি। কাম, পম্বুং, অপান্বনা পুনশিনবা স্বার্থ প্রেমনি। অদুবু কবিনা ঙাইবমখৈ ঙাইরবা তুংদা খৌগংনরম্বা নুংশি ঈখৌ অদু লন্নাই (স্বার্থ) গী ওইবা মশক্তগী আত্মাগী ওইবা নুংগী মশক্তা ওন্থোরকই। আত্মাগী শক্লোন ওইনা নুংশিবী মাবু উরকই। থরায়গী নৎত্রগা আত্মাগী খোঙচৎতা চান্নবী মাগা উন্নগনি হায়না আশা তৌজে। অদুনা নুংগী জগৎ অমদা কবিনা চান্নীবু ঙাইজরি ঃ

প্রেমগী মপোক মপোক খুদিংগী
অমর ওইদুনা লৈরিবনি;
অশেংবা সানা মাঙদবগুম
শেংলবা নং-ঐগী প্রেমনা
হকচাংগী নীংতম্বা ফঙখিদ্রবসু
থবাইগী মিলনবু ঙাইরমগে[৩]
(১৯৭৪ :২৮)

কবিনা ফুইনা হৌরকপা নোংলক্তা, ফাইরেন থাগী শংবান্নরবা অতিয়াদা, উশাথক্তা তোংলিবা অঙৌবা উরোক পরেং মরক্তা শাৎকায়রক্লিবা থম্বাল লৈকাদা, আতরগুলাপতা চান্নবীগী মায়থোংবু হেক-হেক উরমই। করি-করিগুম্বদনা নোংনা হাংখ্রবা তুংগী লৈবাক্কী লৈনমদা চান্নবীগী হকচাংগী নুংশিরবা মনম শন্নাংগী চেংঙহী মনম ফাওরকই, করিগুম্বদনা থম্মোইগী লমখৈদা খোঙজিগী মখোল তারকই। অদুবু কদাই? থরায়গী চান্নবী মাবুদি তাইবংসিদা থক উন্নগে ফংদ্রি। তুরেলগী লেপত্রবা ঈচেলগুম কবিগী পুন্সিনা লেপ্তনা মাবু থিজরি, ফঙবদি ঙমদ্রি। প্রেমগী মৈচাক্লা কবিগী থম্মোই লকানুংদা ৱামৈগুম চাক্রি। চান্নবী লৈত্রবদা থম্মোইসে হাংলে, কবিগী পুন্সিসে মমলে; অরেম্বা তারে, খোম্থাং থোক্তবা বীণা ওইরে হায়না শৈথারি। কবিগী চান্নবী অসি বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'মানসী', কবি জীবনানন্দ দাসকী 'বনলতা সেন', সুনীল গঙ্গোপধ্যায়গী 'নিরা' গুম্না কল্পনানা শেমগৎপা নুংশি ফিতিমানি। অদুবু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা 'সিন্ধুপারে' শৈরেংদা মানসীনা হিহোনবীগী শক্তম লৌদুনা কবিবু সিন্ধু তুরেল ৱাংমদা পুবিখিবা অমদি ৱাংমগী তাইবংদা জীবাত্মাগা পরমাত্মাগা অনীগী পুম্থুং ওইখিবা মশক্তুদি কবি নীলমণিগী শৈরেংদা উবা ফংদে। কবিগী খোঙচৎতি কাউশিংগুম্না ঈচেলদা তাউথরকপনি, পম্থুং থিরকপনি, য়াঙ্গংলবা তুরেলগী ঈচেলদু উরুরগা শোয়দনা পম্থুং য়ৌগনি খল্লুবনি। অদুবু পূম্নমক তায়োন্নরমই। মাঙদা পাক্লবা ঈপাক অমনা ঙাইদুনা লৈরমই। কবিগী পূক্লিংদা মৈচাক ফাওই করম্না লানগনি নীংদুনা? পাক্লবা ঈপাক অসি 'তাইবং মায়া' গী মেটাফরনি। মায়াগী ঈপাক লাম্থোক্লগা চান্নবী লোইনাই খন্নাইদ্রবা থরায়গী পম্থুংফম ফংগনি হায়না কবিনা আশা তৌরি ঃ

করম্না য়ৌগনি নঙগী ননাক্তা
... ... ...
তুরেল কংথরক্লে খনবদগী
ৱানা ৱানা য়ৌনবা লাকপনি
... ... ...
অদুবু-মাঙগী লৌবুক' সিমদি
হৌজিকসু ঈশিংনা কোক থুম্লি
ইরোইবা হৈতে
লানফম খঙদ্রে।[৪]
(২০০৭: ৩৮)

কবি নীলমণিগী শৈরেংদা পুন্সি অমসুং অশিববু থিবগী খোঙচৎ অমসু থেংনৈ। কবি নীলকান্তগুম্না কবি নীলমণিসু পুন্সিসে থবকনি, ললোনবনি হায়না লৌই। 'পুন্সিসে কর্ম্মনি'

হায়নবা ভারতীয় দর্শনশাস্ত্রগী ৱাখল্লোন অদুনি। কবিনা তেংথারি ঃ

মীওইবদি ললোনবা লাকপনি
ললোনবা লোইবগা অমুক হনখিনি
পুন্সিগী নুমিৎ চায়রকপদা।[৫]
(২০০৭ : ৩৮)

কবিনা পুন্সিবু মশক খঙনবা থিরুবদা থেংনরি অশিবা। অশি তুরেল অসিগী ৱাংমদা থৱায়গী মৈচাক কোক্লুনা নুঙাইনা শান্নফমলা, শান্তিগী তুংনফমলা হায়না কবিনা মথমেমাইনুংদা হংজরি। তাইবং মীওইবনা শিববু কিন্নরি, অশিবনা মীওইবগী মতুং কোয়ইন-ইন্নদুনা লৈ হায়না থাজনরি। অদুবু কবিনা মদুগী ওন্নতৈনবদা শিববু তরাম্না ওক্লি। শিবা হায়বসি তাইবংগী মৈচাক পূম্বা কোক্লনবা শিদহীদাক্লি হায়না লৌরি। অদুগা অমুকসু 'অশিবনা মীওইববু কৈদৌঙৈদসু কোয়তান-তান্নদে', মীওইবতনা অশিবগী মতুং কোয়ইন-ইন্নবনি, কোয়তান-তান্নবনি' হায়না 'অশিবগী মনাক্তা ঐ' হায়বা শৈরেংদা ফোঙদোক্লি। অদুগা পোকপা শিবা হায়বসে করিসু নত্তে, কালচক্রগী খোঙচৎনি, পুন্সিগী শক্তমনি। শিবা হায়বসে কেন্দ্রগী বিন্দুনি। পৃথিবীনা নুমিৎকী অকোয়বদা লেপ্পুনা লৈদুনা লৈবগুম পুন্সিনা শিবগী অকোয়বদা লৈরি। অমুক্না শিবদগী লাপথোকপা অমুক্না শিবদা তিনবা মসিনা পুন্সিগী মশকনি হায়না শৈথারি ঃ

পুন্সি-
মদুগী বৃত্তগী বিন্দুনি
হৌরকফমগী মফমদু
পোকপা শিবগী শিংথাফমনি।[৬]
(১৯৫৭ : ১৪০)

কবি নীলমণিগী মতুংদা রোমান্টিক শৈরেংগী লীক্রম অসিদা নাওরেম অমুয়াইমাসু থোরকই। কবি অসিনা *শিঙ্গারৈ* (২০০৫), *নোংইন চেক্লা* (২০০৮) অসিনচিংবা শৈরেং লাইরিকশিং ফোঙদুনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেলদা ঈনোং হাপ্লকই। কবি অমুয়াইমগী শৈরেংদা পুন্সি অমসুং শিববু থিবগী খোঙচৎ অমা থেংনৈ। পুন্সিবু নুংশিজবা, শিগনি খল্লুবদা ৱাজবা, তাইবংপানসিদা অসুমক হিংদুনা লৈজনিংবা, করিগুম্বদনা ৱাংমগী সংসারদা হিহোনবনা পুবিগনি, শান্তি ফঙগনি হায়বগী থাজবা উংলি। কবিগী 'অচিকপগী খোঞ্জেল' হায়বা শৈরেংদা অহিংগী অচিকপদা কবিবু ৱাংমগী জগৎতগী শকউদবা মহাক্না কৌরকপগী খোঞ্জেল তাবদা মিপাইজে। 'তোর্বানসিদা' হায়বা শৈরেংদনা তাইবংপান অসি ময়ায়ানি, কপ্পা নোকপা, অৱা-নুঙাই, হিংবা শিবা পুন্নমক মায়ানি। পোকপা শিবা হায়বসি তাইবংগী হৌনশানি। শুপ্পগী হিংলম্বগী খূদম নৎত্রগা স্মৃতি অমতং থমজরম্বদু কবিনা পামজরি ঃ

নঙগী তোর্বানসিনা সাক্ষী ওইসনু,
মাঙহনবিগনু ঐগী নুংশিরবা স্মৃতিনি
পুন্সিবু হৌরম্লগা লোইরমদনা লোইখিবগী।[৭]
(২০১৪ : ৯০)

কবিগী 'পুন্সিগী শৈরেং নঙগী তোর্বান্দা' দদি ভারতীয় দর্শন শাস্ত্রদা লুপথদুনা পুন্সিগী ৱাহম্বোক থিরি। মপান নাইদ্রবা সমুদ্রদা তাইবংপান অসিদা লৈশেম মপুগী অঙকপা সৃষ্টিবু কবিনা খঙলকই। খঙবা ঙমদ্রবা জীবগী হৌরকফম অথুপ্পগী তুংনফম অসিদা অৱা-নুঙাই, নুংশিবা পূম্বা ঈনুংবূঙ অসিদা তিন্দুনা লৈরি। পূম্নমকসি কবিনা খঙনিংলি, লৈশেম মপুগী অঙকপা সৃষ্টিবু কবিনা নুং য়ৌনা খঙনিং উনিংলি ঃ

নঙগী ঈনুংবূঙদা তিল্লরি
পৃথিবীগী নুংশিবা তুরেল পুন্নমক
অৱা-নুংঙাইগী ঈচেল পুদুনা
নঙগী অমৃত পুকৈদা
জীবগী হৌরকফম অতুপ্পগী তুংনফমদা
ঈরোইদুনা লাম্বোকনীংখি পাক্লবা ঈপাকসি।[৮]
(২০১৪ : ৭৯)

কবি নাওরেম অমুয়াইমাগী শৈরেংশিংদা করি-করিগুম্বদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী শৈশক্কী ঈৱাই-ইনিন তাবা ফংই। কবিসিগী খুৎইদা ৱাহে-ৱাতা ইমেজরীনচিংবদা চংখোলবা থেংনৈ।

কবি য়ুম্নাম নয়ননা রোমান্টিক ওইবা সুর, শৈশক্তগী নাথৈরদুনা মোর্দনিজমগী শৈশক শৈদাবু পামজনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মণিপুরী শৈরেংদা পুশিল্লকই। কবি অসিনা

*ঈরাওখোল* (১৯৭৮) অমসুং *উতোংঙা কুপশুগী অম্মেৎপী* (১৯৮৮) ফোঙলকই কবি অসিনা বুর্জ্জুৱাজি কলচরবু শিংনবা, তোল্ল-তারবা উপায় লৈত্রবা মীচমশিং নৎত্রগা লৌমী শিন্মীশিংগীদমক পাম্বোম তিংবা, মায়খুম উপ্পা রাজনীতিৱালাশিংগী শাজৎপু য়ানিংদবা, শক্তি পায়বা অকনবশিংনা তুশোনবশিংবু খোঙনেৎনবগী খোল্লাউ, ৱাহন্থোক লৈত্রববা ডেমোক্রেসিগীদমক পেন্দবা ফোঙদোকপা, শেঞ্জা-থুমজাবু য়ানিংদবা উৎপা অসিনচিংবগী শৈশক কয়া শকলি। শৈরেংগী লোন্দা পুদাদা লৈশি-লৈথোনবা য়াওদনা হায়নিংলিবদু ইচম চম্বা অয়ুক নুমিদাংদা ঙাঙন শক্করিবা ৱাহৈ-ৱাতাদা য়ূম্ফম ওইদুনা ই। কলাগী খূৎশেম অমসুং ফজবদগী কবিনা হায়নিংলিবা ৱাফমনা হেন্না মরু ওইনা লৌবা উই। মরম অদুনা করি-করিগুম্বদা তয়াং তয়াংনা খোকপা য়াওদবা নত্তে। তশেংনা হায়রবদা কবি নয়নগী খূৎইদি তশেং-তশেংনা লৌথুপ-লৌকোয় লৈতনা ফোংনা লাউবনি। 'উতোংঙা কুপশুগী অমেৎপী' শৈরেংদা মীচম প্রজা, তোল্ল-তারবশিংবু উপায় লৈত্রবা লাইর-অনংশিংবু শক্তি নৎত্রগা শেঞ্জাউ পায়বা বুর্জ্জুৱাজিশিংগী লুজাউদা ঙাখানা থুবগুম পুল্লপ থুই। মখোয়না কোম্বাং হাপ্পা য়োৎশুক্না শুরগা উতোংঙা কুপশু শেম্মী। অদুগা হাউনা চাই। অসিগুম্বা ঙসিগী মসাজদা অকবনা অশোনববু তুহৎপীবগী ফীভমসিদগী কোক্লনবা তোল্ল-তারবা ময়ামনা ঈহৌ শাগৎকদবনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীরি ঃ

পোখায়রক্রবদা অশোন'না ময়ামগী
উফুল শাক্রবা শরু-ঙারু ময়ামশিংদুনা
এতোম বোমগুল্লা?
লেংঙম শাঙমদবা ময়ামদু
শিরমদাইগী নুমিৎ মশীং থীরি।[৯]
(১৯৮৮ : ১৩)

অদুগা অমুকসু ৱাখল্লোন অসিবু অতোপ্পা মেটাফর অমদি ইমেজরীনা 'পিক্রবা নোংলীক অমা' হায়বা শৈরেংদা শীংনবগী সুরদা ফোঙদোকই। পিক্রবা নোংলীকশিংনা ওইরিবা ঈশিংবু কৈশুমগুল্লবা ঈশায়ফুদা হাপচিল্লগা বন্দী থাল্লি। নোংমা শোয়দনা বন্দী অসিদগী নাম্থোক্লবা ঈহৌরক্কনি ফোঙদোরকই। নোংলীকশিংবু মীচম প্রজাশিংগী মেটাফর ওইনা উৎপনি।

হৌজিক লৈররোই ঐখোয়
নখোয়গী চৈরাক-কৈশুম ঈশায়ফুদুদা;
ঈচেলতবু লৌশিংনা থৎখ্রবা তুরেলদুদা
অকন্ননা শুপ্পমদা হাপচিনবা টেঙ্কিদুদা
ফৎতা-হৌদি চান্ননবা ইনাখখুনবগী খোঙহাম্বুন্দুদা
... ... ...
ঐখোয় হন্না ঈহৌনিংই
নখোয়না শুপ্পা থওইবিদ্রবদা
... ... ...
করম্বা মতমদা ঈহৌরক্কনি ঐখোয় পুন্না
ঐখোয় পুন্নমক্কা অরোইবগী মতৌগুল্লা।[১০]
(১৯৮৮ : ২৭)

কবি নয়নগী খূদুং ইনদুনা লাইরেনলাকপম শ্রুতিকুমারসু রিয়েলিটিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শৈশক তন্নকই। মোর্দনিজমগী সুরনি। তোল্ল-তারবা মীচমশিংগীদমক্তা তেংথাবনি। মীওইবগী মাঙখ্রবা মশকপু থিবনি। ৱাহৈ-ৱাতা ইচম চম্মী। কবি নয়ন অমসুং কবি শ্রুতিকুমার অনীমক ধীর লয়দা শকপা শৈশক নত্তে; দ্রুত লয়দা শৈশকপনি। মীওইবনা মীওইবা ওইদ্রবদা কবি শ্রুতিকুমারনা ৱাজরি। তুংগী মীরোলনা থিরকপদা লৈরোম্নুংদা ফোসিল ওইনা থেংনবদা ঙসিগী মীওইবসে মীনি হায়না খঙবা ঙমখিগদ্রা হায়না ৱাহং হংলি ঃ

হৌজিক্কী ওইরিবা মীওইবগী
লৈরোম্নুংদগী ফংদুনা পুখৎলকপা
কোক্কী ফোসিল কয়াবু।
মতমদুগী লোজিশিংনা
হায়বা ঙমখিগদ্রা
করম্বা জীবগী ফোসিলনো?[১১]
(২০০৪ : ২৫-২৬)

কবিসিগী পনবা য়াবা মীচমগী পুন্সিবু খোঙনেৎনবা উৎপা শৈরেং অমদি 'সিগারেট' অসিনি। শৈরেংসিদা 'সিগারেট' পু খোঙনেৎনরবা মীচম পুন্সিগী মেটাফর ওইনা ফোঙদোকলিবসি চাঈ। খূৎমচা অনীগী কারক্তা চপুনা মৈ চুরগা হাউনা থকলি য়াইতোং-খমদোংবশিংনা। সিগারেটকুম

মীচমগী পুন্সিনা নোংম-নোংমগী তুমশিল্লকই। অরোইবদা ছন্দোক্লগা খোঙনা শ্রু শ্রু নৈহৎলি। ফংসনেল ওইবা ইমেজরীনি হায়দবা ঙমদে।

চেষ্টরক্লিবা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেলদা অনৌ-অনৌবা কবি কয়াসু থোরক্তুনা শৈরেংগী খোঙহৌ হেন্না কনখৎলক্লি। গুরুময়ুম মণি শর্ম্মাগী *তেংথাখোল* (১৯৮০), তেনশুবম কুলচন্দ্রগী *মৈরা* (১৯৮১), তায়োন্নরিঙৈদা (১৯৮৩), কংলৈচা পূম্বা হৌরসি (১৯৮৪), থৌনাওজম বিহারীগী *নারক্কী লৈরাং* (১৯৮১), নোংথোম্বম ইন্দ্রকুমারগী *মরৈ* (১৯৮৩), *জমুনা পক্লি* (১৯৯০), *তেখাও লৈরাং* (২০০৯), থৌদাম বাবাতোম্বীগী *ৱাখলগী লৈরাং* (২০০৬), পুখ্রম্বম কামিনিগী *লৈহাউ পরেং* (২০০৬), কৈশাম হেমচনদ্রগী *লৈগী মরূপ লৈকোন্দা শাংলে*। (২০০৪), হিজম মণিধনগী *মহাভারতকী স্ত্রী পর্ব্ব* (২০০৬), থাংজম অমর অঙোমগী চীংলোন মাপন ৱাংমদসু (২০০৮), বিনয়চান্দ কোইজমগী *কাউথোকউরবা ৱাখলগী ইপোমদা* (২০০৯) অসিনচিংবনি। হায়রিবা কবিশিং অসিগী মিংৎয়েংদা সবজেক্টিভ ওইবা, কল্পনানা কুরাক্কুম্না মনীং তম্না পাইজবা, আইদিয়েল নৎত্রগা ফিদমগী ৱাখলদা লুনা নীংজবা, ৱাহৈ-ৱাতাদা লৈশি-লৈথোনদুনা, করি-করিগুম্বদা তাল, ছন্দ নাইনা শকপা অসিনচিংবনা মপূং ওই।

তশেংনা হায়রবদা কবি ধুম্ররায়, লাইতোনজম নীলমণি, নাওরেম অমুয়াইমানা শাগৎলিবা রোমান্টিসিজম নৎত্রগা মেটাফিজিকেল ওইবা শৈরেংগী মশক্তু মণি শর্ম্ম, কুলচন্দ্র, বিহারী, ইন্দ্রকুমার, বাবাতোম্বী, কামিনি, হেমচন্দ্র, মণিধন, অমর, বিনয়াচন্দনচিংবনা মপূং ফাহননবা হেৎনবনি। অদুবু কবি নীলমণিগুম্না হায়রিবা কবিশিং অসিনা কল্পনাগী জগৎ অদুদা চঙশিনবদি ঙমদ্রি। অমুকসু কবি য়ূম্নাম নয়ন অমসুং কবি লাইরেনলাকপম শ্রুতিকুমার অনীদি রিয়েলিষ্টিক অমসুং ওবজেক্টিভ ওইবা মোর্নিজমগী শৈশক শৈদানি। কবি শ্রুতিকুমারনা মীওইবগী সাইন্স অমসুং টেকনোলোজিগী শাফুনা হোংহল্লক্লিবা শাজৎ-লীচৎতা কুপ্পা য়েংনবা হোৎনৈ। অদুগা কবি য়ূম্নাম নয়ননা লাইর-অনং, তোল্ল-তারবশিংগী অনৌবা মরাইবক লেপ্পবা হোৎনবা, প্রোগেসিভকী খোল্লাউ লাউরিবা কবিনি হায়দবা ঙমদে। ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মণিপুরী শৈরেংদা রোমান্টিসিজম অমসুং মোদর্নিজমগী সুর চেনবা শৈরেংগী ঈচেল অমা চেষ্টরকপা থেংনরে। অনৌ-অনৌবা কবি কয়া থোরক্তুনা মতমগী য়াওল মতুং ইন্না অনৌ-অনৌবা শৈরেংগী শৈশক শৈদা কয়া শক্লরকখিনি হায়বগী আশা থমলি। ❑


মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং ঃ—

১. ধুম্ররায় সিংহ, *মৈতৈরোন, লৌউ শৈরেং*, গুৱাহাটি, ১৯৬৯, লা: ৮।

২. লাইতোনজম নীলমণি, *চেকখাইরবা থনুংগী প্রেম*, নঙ লৈ ওইয়ু, হোজাই, আসাম, ১৯৯৪, লা : ৫৩।

৩. ইবিদ, *পুন্সি বিদায় মতমদা, ৱাখল মৈরা*, হোজাই, আসাম, ১৯৭৪, লা: ২৮।

৪. ইবিদ, *মৈচাক, ঈশিং ঈচাওবা*, হৌজাই, আসাম,২০০৮, লা:১১।

৫. ইবিদ, *লৈত্রবরা পংথৈ হায়বদো, হীংমিন্নবগী নুংঙাইবা ঈশৈ*, হোজাই, আসাম, ২০০৭, লা: ৩৮।

৬. ইবিদ, *পুন্সিগী বৃত্তদা, ওমচাক্লবা মৈথু*, হোজাই, আসাম, ১৯৫৭, লা :১৪০।

৭. নাওরেম অমুয়াইমা, *নুমিদাংৱাইরম তোর্বানসিদা, নোংইন চেক্লা*, গুৱাহাটি, ২০০৮, লা : ৯০।

৮. ইবিদ, *পুন্সিগী শৈরেং নঙগী তোর্বান্দা, নোংইন চেক্লা*, গুৱাহাটি, ২০০৮, লা ৭৯

৯. য়ূম্নাম নয়ন, *উতোংঙা কুপশুগী অমেৎপী*, হোজাই, আসাম, ১৯৮৮, লা: ১৩।

১০. ইবিদ, *পিক্লবা নোংলীক অমা, উতোংঙা কুপশুগী অমেৎপী*, হোজাই, আসাম ১৯৮৮, লা: ২৭।

১১. লাইরেনলাকপম শ্রুতিকুমার, *ফোসিল, হো পৃথিবী নংসু শিরো*, হোজাই, আসাম, ২০০৪, লা: ২৫-২৬।